# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
### (DATE 20-05-2026)

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা ঙরাং নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন.পি.এফ) মনিপুর য়ুনিটকী মীহুৎ কাংবুশিংগা মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা উন্নখ্রে।

এন.পি.এফকী প্রসিদেন্ট-এম.এল.এ. অৱাংবৌ ন্যুমাইনা লুচিংদুনা উন্নখিবা অদুদা রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা কুপা খন্নখি। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মনিপুরদা শান্তি, ইং তপ্পা অমদি হান্নগী ফিভমদা হনজিলহনবা হায়বসিদা রাজ্য অসিদা লৈরিবা ষ্টেকহোল্ডর পুমমক্কী অচৌবা থৌদাং তঙাইফদে। সরকার অসিনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মীহুৎ কাংবুশিংগা ফম্মীন্নদুনা অমদি মখোয়গী ওইবা মোত লৌদুনা তংদু লৈতাবা পুরকবা কন্না হোৎনরি। রাজ্য অসিদা শান্তি পুরকবা অমদি মীয়ামবু ঙাক শেন্নবগীদমক চেকশিননা হোৎনরি।

**পুলিস (এল)ঃ** খুৎলায় পায়বশিংনা ফাখিবা মীওইশিং সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়-কাংপোকপী জিলাগী তোঙান তোঙানবা খুলশিংদা ঙরাংসু কোম্বীং ওপরেসন চত্থখ্রে। জিলা অসিগী লৈলোন বাইফৈ ভিলেজ, সোংতুং ভিলেজ, খুনখো ভিলেজ অমদি পি-মোলদিং ভিলেজতা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা অকনবা মওংদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীফা-মীপুনগী পাউদি লৈত্রি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং মরুওইনা চিংগা তায়নবা অমদি ইরাং থোক্কনবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা চান্দেল জিলাদগী মীওই অনি ককচিংদগী ফাখি। ফারবা মীওইশিং

অসিদগী এস.পি. কেপসুল ২৮৮ ফংখি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়-রিমস কেম্পসতগী গাড়ি হুরানবগী কেসকা মরী লৈননা মনিপুর পুলিসনা ঙরাং মীওই অমা থৌবাল জিলাদগী ফারে। ফারবা মীওই অসি জিলা অসিগী ইরোং চেশাবদগীনি হায়রি।

নেসনেল হায়ৱে ৩৭, ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা পোৎ-চৈ পুবা গাড়ি ২৯৯ ইম্ফাল তমা চংল্লকখ্রে। পুলিসকী পাউ অসিনা হায়-নোংমদা চংবা তঙাইফদবা পোৎলমশিং সেক্যুরিতি ফোর্সকী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা নেসনেল হায়ৱেশিংদা লেপ্তুনা পুশিল্লক্লি। মখা তানা গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অপনবা থোক্তনবা হায়ৱেশিংদা সেক্যুরিতিগী কনভোই ঙাক্তুনা থল্লি।

**এআর(এল)ঃ** বির নারিশিং অমদি এক্স-সার্ভিসমেনশিংবু ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরম অমা ঙরাং উখ্রুল জিলাদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মীওইশিং অসিদা শেলগী তেংবাং ওইনা লুপা লিশিং তরা-তরা পীখিবতা নত্তনা হিদাক লাংথক, হিয়ারিং ইক্যুপমেন্ট অমদি হুইল চিয়ারসু য়েন্থোকখি।

থৌরম অসি ভেটরানশিংবু মশা মউ ফনা অমদি নীংথিনা হিংনবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবনি হায়না অসাম রাইফলসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সশিংবু মশা মউ ফনা লৈনবগী পান্দমদা ১২ শুবা মালেমগী যোগ নুমিৎ পালন থৌরমগা মরী লৈননা লেপ্তুনা পাঙথোরকপা হন্দেদ ডে রন-অপ থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙরাংসু অসাম রাইফলসনা শিনদুনা যোগাগী মতাংদা এৱারনেস লেকচর অমা মন্ত্রি পুখ্রি অমদি কৈথেলমানবীদা পাঙথোকখ্রে। পার্সোনেল ৩৫০ রোমনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু সেক্যুরিতি ফোর্সশিংবু মশা মউ ফনা লৈনবা, ৱাখল শান্তি ফংননবা অমদি ষ্ট্রেস লৈতনবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। মসিনা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংবু দিসিপ্লিন লৈনা থবক পাঙথোকপা ঙম্লগনি হায়রি।

**ডে(এল)ঃ** মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মনিপুরদসু ঙসি মালেমগী মেত্রোলোজি নুমিৎ পালন থৌরম পাঙথোক্কনি।

কুমশি চহিগী হীরমনা-‘মেত্রোলোজি: বিল্ডিং ত্রষ্ট ইন পোলিসি মেক্কিং’ হায়বসিনি।

রাজ্যগী ৱেদস এন্দ মিজরস দিপার্টমেন্টনা শিনদুনা ৱাল্ড মেত্রোলোজি ডে ২০২৬ ঙসি লমফেলদা লৈবা বিভাগ অসিগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কনি।

**ভগীদারি (এল)ঃ** জন্ন ভগীদারি সবসে দুর, সবসে পহেলেগী কেম্পেইন রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা পাক শন্না পাঙথোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন নোনে অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা পুন্না শিনদুনা ঙরাং জন্ন ভগীদারি ৱিক্কী শরুক অমা ওইনা লোংমাই পার্ট ৱানদা লৈবা নোনেগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী ওফিস কমপ্লেক্সতা উ চারাশিং থাবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

**কুংফু (এল)ঃ** তামিল নাদুগী অধিভাজি ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা ৩৭ শুবা নেসনেল জিট কুনেদো সব-জ্নিয়ার অমদি জ্নিয়ার জিট কুনে চেম্পিয়নসিপ-২০২৬ তা শরুক য়ারুবা ওল মনিপুর কুংফু ব্রদরহুদ য়ুনিয়নগী শান্নরোই ২২ না সনাগী তকমান ২৭, লুপাগী তকমান ১৩ অমসুং শেঞ্জেংগী তকমান ৫ ফংদুনা রন্নরস অপকী মনা ফংলে।

মনিপুর টিম অসি, মেনেজর-এস. রাজেশ্বর অমদি টিম কোর্স-ইবোতোম্বনা লমজিংখিবনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, ঙরাং ইতালিগী রোমদা থুংখ্রে। নুমিৎ তরুকনিগী লৈবাক মঙাগী অরোইবা খোঙচৎতা প্রধান মন্ত্রি ঙরাং মফম অদুদা

থুংখিবনি।

মহাকা হেক থুংবগা ইয়ারপোর্টতা ইতালিগী উপ প্রধান মন্ত্রি-এন্তোনিয়া তয়ানিনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবুনা ওকখি। প্রধান মন্ত্রিনা মফম অদুদা লৈবাক অদুগী রাস্ত্রপতি-সরদিও মটতালেরা অমদি প্রধান মন্ত্রি-জিওজিয়া মেলোনিগা উন্নদুনা ৱাফম কয়া খন্নগনি। খোঙচৎ অসিদা ভারত অমদি ইতালিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা থবক কয়াসু পায়খৎকনি। মরুওইনা ইন্দিয়া মিদল ইষ্ট য়ুরোপ ইকোনোমিক কোরিদোর (আই.এম.ই.সি) গী মতাংদা ওইগনি। মসিদসু নত্তনা জোইন্ট ষ্ট্রেটেজিক এক্সন প্লান ২০২৫-২০২৯ বু হন্না য়েংশিনগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা লৈবাক অসিদা লৈরিঙৈদা ফুদ এন্দ এগ্রীকলচর ওর্গনাইজেসনগী হেদক্কাটরদা চৎকনি।

নীংশিংবা য়াই, প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি থা অসিগী ১৫ দা য়ুনাইটেদ অরাব ইমরেটস, নেদরলেন্স, সুইদেন, নোরৱে অমদি ইতালি খোঙচৎকীদমক ভারত থাদোকখিবনি।

**ম্যুজিয়মঃ** মহাত্মা গান্ধিগী থি-দি অবটার ঙসিদগী দিল্লিগী প্রধান মন্ত্রি সঙঘালায়াদা উবা ফংলগনি।

আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স-হাইপর রিয়েলিষ্টিক ওইবা মহাত্মা গান্ধিগী থি-দি অবটার অসি প্রাইম মিনিস্তরস ম্যুজিয়ম হায়নসু খঙনবা দিল্লিদ লৈবা প্রধান মন্ত্রি সংঘালায়াদা ঙসিদগী মীয়ামদা উহনগদৌরি। কট্টিং এদস টেকোলোজিগী খুত্থাংদা মহাত্মা গান্ধিগী এ.আইনা পৱার তৌবা থি-দি অবতার অসি মীয়ামগা ৱারী ৱাতাই শাবা য়াহনগদৌরি। প্রধান মন্ত্রি সঙঘালায়া অসিগী ওফিসিএল অমনা হায়-মীয়ামগীদমক ম্যুজিয়ম অসিদা টেকোলোজি শিজিন্নদুনা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎনবা পান্দমদা মসিগী থৌরাং অসি পায়খৎপনি। মসিনা ম্যুজিয়ম অসিগী ওইনা অহুমশুবা এ.আই. পৱারদ ইন্টরেক্তিব হোলো বোক্স ওইগদৌরিবনি। ম্যুজিয়ম অসিদা হান্ননা সদর ভালাভাই পতেল অমদি ভারতকী

হান্নগী রাস্ত্রপতি-এ.পি.জে. অব্দুল কলামগী এ.আই. পব্বারদ হোলো বোক্স ইন্সটোল তৌদুনা লৈরি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

ফুরুপ অনিনা ফাজিননখিবা মীওইশিং থাদোরকবগী মতাংদা ফেংবা তোঙান তোঙানবা পাউশিং, কামজোং জিলাদা চৎতুনা কোকোমিনা মতেং পাংখিবগী পাউ অমদি পেট্রোল, দিজলগী মতাংদা ফোংবা পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরে।

জোইন্ট ট্রাইবস ৱিমেন এসোসিয়েসননা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা লিয়াংমৈ নাগা তরুক অথুবা মতমদা অমদি তেক্ত-কায়দনা থাদোরকবা খোঙজং চংশিনখিবগী পাউ গানফিয়ু মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

য়ু.এন.সিনা কুকি ইনপি মনিপুরদা নাগা তরুক কদাইদা লৈ অমদি মখোয়গী ফিভম খুদক্তা খঙহনগদবনি হায়বা ৱাফম হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী মিলিটেন্টশিংনা এটেক চখরকখিবা খুলশিংদা কোকোমিনা চৎতুনা য়েংশিনখিবগী পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পাস্তর অনি য়াওনা নাগা মীচম তরুক্কী লাইবক তম্বা ঙমদ্রি। কোনশা খুলগী চেয়ারমেননা খোঙ্গুল লীবিনবা পুলিসতা রিপোর্ট তৌরবসু কমপেনেন্ট ইগজামিনেসন তৌরমদ্রে হায়বা পাউ অসি হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরে।

সনা লৈবাক্তা-থাও লৈরি হায়রবসু পম্প খরদদি নিল ওইরে, অহাংবশিংদা ক্যু লেপরে। চয়োল অসিদা অনিরকশুবা ওইনা পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমল হেনগৎখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পেনিক বাইয়িংনা

খুৎশেমগী থাও তাংবা থোকহনবনি হায়বা কঞ্জুমর এফিয়ার্স, ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী ওফিসার ওন স্পিসিএল দ্যুতি (পি.ও.এল)-হাওবম বোবীগী ৱাফম সব হেদলাইন ওইনা পীরে।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-নামলি, ৱাংলি অমসুং জেদ চোরোগী খুঞ্জাশিংদা কোকোমিনা মতেং পাংখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। এক্সটরনেল এগ্রেসননি হায়বা খুঞ্জাশিংগী ৱাফম সব হেদলাইন পীরি।

লৈবাকসিগী মিনরেলগী লেন্দস্কেপতা মনিপুর মরুওইবা মফম অমা ওইরক্লি হায়বসিনা পোকফমগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। লাইম স্তোন, ক্রোমাইত, নিকেল এন্দ কোবাল্ত অমসুং কোপর মরাং কায়না লৈবা থেংনরে হায়না সব হেদলাইন পীরি।

কিদনেপরশিংগী মখুৎতা লৈরিবা খুঞ্জাশিং কন্নবা হোৎনবা য়াবা খুদিংমক হোৎনগনি হায়বা চীফ মিনিস্তরগী ৱাফম নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন তৌরে।

মনিপুর মেলদা-ফাদুনা থল্লিবা মীওইশিং থাদোরকবা তোঙান তোঙানবা বোদিশিংনা আপিল তৌবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

প্রাইম মিনিস্তর-নরেন্দ্র মোদি অমদি হোম মিনিস্তর-অমিত সাহদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দমদা নাগা সিভিলিয়ন তরুক ফাজিনখিবা অদু কে.এন.এফ (পি) ননি হায়বা ৱাফম য়াওরি হায়বগী পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-মার্চতা কোইলাস থাখিবা নেসনেল হায়ৱে টু পোর্টহোলনা পীক থল্লে হায়বা পাউ অসি অহানবা লামাইদা ফোংলি।